# য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সহানা ইন্দিয়াদা মল্টিপর্পজ কার্দ অমখক শীজিন্নবগী ৱাফম ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৩ (এজেন্সী): য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমতি সহানা ইন্দিয়ান মল্টিপর্পজ কার্দ অমখক শীজিন্নবগী ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

তোঙান-তোঙানবা কার্দশিং পায়বগী মহুৎতা আইদেন্টিটি কার্দ অমা, ভোর্টর কার্দ, পাসপোর্ট অমদি পান কার্দ ওইনা শীজিন্নবা য়াবা শুপ্পগী মল্টিপর্পস কার্দ অমখক লৈহনবা মথৌ তারে হায়না হোম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। কুমজা ২০২১দা পাঙথোক্কদৌরিবা মথংগী সেন্সস মোবাইল এপকী খুথাংদা পাঙথোক্লগনি হায়না পল্লদুনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা হায়খি, কুমজা ২০২১গী সেন্সস অমসুং নেসনল পোপ্যুলেসন রেজিষ্টর (এন পি আর)গা মরী লৈনবা থবক্তা লৈঙাক্লা লুপা ক্রোর ১২,০০০ চাদিং তৌগনি।

য়ুমথোং খুদিং চঙদুনা মীকোক মশিং থিবগী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা হায়খি, কুমজা ২০২১দা মোবাইল এপ অমা শীজিন্নদুনা দিজিটেল সেন্সস পাঙথোক্লবা পান্দম থল্লি। মতৌ করম্না এন পি আর নত্রগা য়ুনিক আই দি কার্দ পীগদগে হায়বগী মতাংদা শুগাইনা পনখিদবা তারবসু মহাক্লা হায়খি, এন পি আরদা মীপুম খুদিংমক্কী মিংয়াওগদবা মরম্না চাওখৎ থৌরাং লৌখৎপা, ক্রাইম লাকশিনবা অমসুং লো এন্দ ওর্দরগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা চাওনা মতেং ওইনরগনি।

বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা অমিত সাহনা হায়খি, শিবা অমসুং পোকপগী রেজিষ্টরগা ইলেক্টোরেল রোলগা লিঙ্ক তৌহনবা মতম ওইরে। শিবা অমসুং পোকপগী রেজিষ্টর লিঙ্ক তৌরবদি ভোটর লিষ্টসু মশা মথন্তা অপদেট তৌহনবা য়াগনি।

লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা তোঙান-তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংশিংগী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা হায়খি, কুমজা ২০১১গী সেন্সসতা য়ুম্ফম ওইরগা উজৱালা স্কিম পায়খৎতুনা লাইরবগী পনখৈ মখাদা লৈবা ইমুংশিংদা চাকথোং গ্যাস সিলিন্দর অহোংবা মমলদা ফঙহনখি। করম করম্বা মীওইনা গ্যাস সিলিন্দর মথৌ তাবগে অমসুং করম্বা মীওইনা কদাইদা লৈবগে হায়বা সেন্সসকী রিপোর্ট য়েংলগা ইরায় লায়না খঙবা ঙম্মী।

কুমজা ২০১১গী সেন্সস শীজিন্নরগা দিজিটেল মেপ অমা য়েক্তুনা উজৱালা স্কিম পায়খৎনবা থৌরাং লৌখৎখিবনি। সেন্সসতা য়ুম্ফম ওইরগা তোঙান-তোঙানবা ৱেলফেয়র স্কিম ২১ পায়খৎকনি হায়নসু অমতি সাহনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

সিঙ্গল মল্টিপর্পজ কার্দকী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, মীওইঅমনা তোঙান-তোঙানবা মখলগী কার্দ কয়ামরুম পায়বগী মহুৎতা শুপ্পগী কার্দ অমখক্লা হিরম খুদিংমক্লা শীজিন্নবা য়াহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা মতম ওইরে।



# সোনিয়া গান্ধি, হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহননা টিহার জেলদা চৎতুনা চিদম্বরমগা উনখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৩ (এজেন্সী): হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহ অমসুং কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধিনা ঙসি টিহার জেলদা চৎতুনা পি চিদম্বরমগা উনখ্রে।

আই এন এক্স মিদিয়া কেসকা মরী লৈননা হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর পি চিদম্বরমবু সেপ্টেম্বর ৫দগী টিহার জেলদা থল্লকখিবনি। কোংগ্রেসকী লুচিংবা অনীনা টিহার জেলদা চৎপা মতমদা লোক সভাগী এম পিসু ওইরিবা চিদম্বরমগী মচানুপা কার্টি চিদম্বরমসু লোয়নখি। লুচিংবা অনী লাকখিবগী মতাংদা চিদম্বরমনা হায়খি, কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধি অমসুং হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ডা. মনমোহন সিংহ উনরবা মতুংদা অনৌবা থৌনা অমা লাক্লে। কোংগ্রেসনা মপাঙ্গল কল্লিবমখৈদি ঐহাকসু পাঙ্গল কনখিগনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা "ইন্দিয়াদা পুম্নমক য়াইফরি" হায়খিবগী মতাংদা হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টরনা হায়খি, ইন্দিয়াদা মীওই কয়া থবক ফঙদবগী অৱাবা মায়োক্লরি। থবক তৌরম্বা মীওই কয়াসু থবক্তগী লৌথোরক্লবা মতুংদা শেন্থোক লন্বী লৈতবদগী অৱাবা মায়োক্লরি। কাশ্মিরদা অথিংবা থমজিনবগা লোয়ননা ওপোজিসন লিদর পুম্নমক জেলদা ফাজিন্দুনা থল্লি। ফিভম অসিদা মতৌ করম্না ইন্দিয়াদা পুম্নমক য়াইফরি হায়গদৌরিবনো হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা হাউষ্টনগী এনআরজিষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা হাউদি, মোদি ইভেন্টতা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খিবনি মদুদি ইন্দিয়াদা পুম্নমক য়াইফরি হায়বসিনা খ্বাইদগী মতিক চাবা পাউখুমনি।

অমরোমদা পি চিদম্বরমগী উকিলনা দিল্লি হায় কোর্টতা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই)গী পাউখুমগা মরী লৈননা রিজেইন্দর অমা ফাইল তৌখ্রে। আই এন এক্স মিদিয়া কেসতা মরাল লৈতে হায়না পল্লদুনা চিদম্বরমগী রিজেইন্দর অদুনা হায়খি মদুদি, হৌজিক হৌজিক টিহার জেলদা থল্লিবা পি চিদম্বরম য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা অরানবা পান্বে শীজিন্নদুনা মপান লৈবাক্তগী শেল থাদহল্লকপা লৈতে। মীয়ামগী লন-থুম মাংহনবগী থৌওংসু লৈতবা মরম্না হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টরবু বেল পীবদা অকায়বা লৈতে হায়না চিদম্বরমগী মায়কৈদা লেপখিবা উকিলনা ফোঙদোকখি।

হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টরনা দিল্লি হায়কোর্টতা ফাইল তৌখিবা এফিদেবিটনা হায়খি, হৌজিক হৌজিক পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর অমা ওইবগা লোয়ননা অরানবা থৌওং চথখি হায়বগী মতিক চাবা খুদম অমফাওবা পীবা ঙমদ্রিবা মরম্না আই এন এক্স মিদিয়া কেসতগী বেল পীবদা য়েৎননিংঙাই লৈতে।





# নবেম্বর ৪দগী ১৫ ফাওবা চৎনহনগদৌরিবা ওদ-ইভন স্কিমগী মতাংদা মীফম কৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৩ (এজেন্সী): পোল্যুসন থোকপগী চাং হন্থহন্নবগী পান্দমদা নবেম্বর ৪দগী ১৫ ফাওবা চৎনহনগদৌরিবা ওদ-ইভন স্কিমগী মতাংদা দিল্লিগী ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর কাইলাস গেহলোটনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং অমদি ষ্টেকহোল্ডর পুম্নমক্কী মীফম অমা কৌখ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকখিবা ৱারোল অমদা গেহলোটনা হায়খি, ওদ-ইভন স্কিমগী মতাংদা কুপ্পা খন্নবগা লোয়ননা নুপীশিংবু অথিংবা অসিনা কোনশিল্লোইদ্রা হায়বনচিংবা ৱাফমশিং খন্নরগনি। সেপ্টম্বর ১৩দা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হন্থহন্নবগী পান্দমদা অমুক হন্না ওদ-ইভন স্কিম চৎনহল্লগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

থৌরাং অসিগী মখাদা তুমা শুবা নম্বর থাবা গাড়িশিং নুমিৎ অমদা চেলহল্লগা তুমা শুদবা নম্বর থাবা গাড়িশিং অতোপ্পা নুমিৎ অমদা চেলহনগনি হায়রি।

দিল্লি গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিবু শীংনরদুনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অমা নেসনল গ্রিন ট্রাইব্যুনেল (এন জি টি)না রিজেক্ট তৌখি। এদভোকেট গৌরব কুমার বন্সালনা ফাইল তৌরকপা পিটিসন অমগী মতাংদা এন জি টিগী চেয়ারপার্সন জষ্টিস আদর্স কুমার গোয়লনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা হায়খি মদুদি পোল্যুসন থোকহনবগী মতাংদা লৌখৎলকপা থৌরাংদা খুৰৌ থাংবা মরম্না পিটিসন অসি মখা তানা খন্নফম থোক্তে। হৌজিক হৌজিক দিল্লিদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং ৱাংখৎলক্লে হায়বা পুম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি।



# সুপ্রিম কোর্টকী অনৌবা জজ মরি ৱাশক লৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৩ (এজেন্সী): সুপ্রিম কোর্টকী অনৌবা জজ মরি ৱাশক লৌখিবগা লোয়ননা এপেক্স কোর্টকী অপুনবা জজ মশিং ৩৪ য়ৌরে।

কোর্ট রূম নম্বর ১দা পাঙথোকখিবা অচন্বা থৌরম অমদা চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইনা জষ্টিস কৃষ্ণ মুরারি, জষ্টিস এস রবিন্দ্র ভাট, জষ্টিস ভি রামাসুব্রামনিয়ম অমদি জষ্টিস রিসিকেস রোইবু থবক পায়বা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি। অনৌবা জজ মরি ৱাশক লৌখিবগা লোয়ননা এপেক্স কোর্টকী অপুনবা জজ মশিং ৩৪ য়ৌরে।

সুপ্রিম কোর্টকী অনৌবা জজ ওইরক্লবা জষ্টিস মুরারিনা পঞ্জাব এন্দ হরিয়ানা হায়কোর্টকী চীখ জষ্টিস ওইনা লৈরম্মী। জষ্টিস ভাটনা রাজস্থান হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস ওইরম্বনি। জষ্টিস রামাসুব্রামনিয়ম অমসুং জষ্টিস রোইনা মথং শীৎনা হিমাচল প্রদেশ অমদি কেরালা হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস ওইনা থৌ পুরম্মী।

ওগষ্ট ৩০দা এপেক্স কোর্টকী কোলেজিয়মনা হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস ৪ সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইহন্নবা রিকমেন্দ তৌরকপদা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা অয়াবা পীখিবনি।

# ঔরঙ্গবাদতা দেঙ্গিনি হায়না চীংনবা লায়নানা মীওই ৩ শীহনখ্রে

ঔরঙ্গবাদ, সেপ্টেম্বর ২৩ (এজেন্সী): মহারাষ্ট্রগী ঔরঙ্গবাদতা দেঙ্গিনি হায়না চীংনবা লায়নানা মরম ওইরগা হৌখিবা পুং ৪৮ গী মনুংদা মীওই ৩ শীহনখ্রে।

ওথোরিটিশিংনা সিটি অদুগী হোস্পিটাল পুম্নমক চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা মখল খুদিংমক্কী লায়না লায়েংনবা থৌরাং তৌগদবনি হায়না খঙহনখি। ঔরঙ্গবাদ ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মেদিলক ওফিসার নিতা পদালকরনা এজেন্সিদা হায়খি, দেঙ্গি লায়নাগা লায়ওং মান্নবা লায়না মখল অমনা মরম ওইরগা হৌখিবা নুমিৎ নীনিগী মনুংদা মীওই ৩ শীখি। অতোপ্পা মীওই ১৪না তোঙান-তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা লায়কন্নরি।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসননা অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্ট অমদি প্রাইভেট হোস্পিটাল পুম্নমক চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা য়াথং পীখি। ঔরঙ্গবাদ ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মেয়র নন্দকুমার গোদেলেনা হায়খি, হোস্পিটাল খুদিংমক্তা দেঙ্গি পেসেন্টশিংগী দমক ফমুং ১০ খাক্তুনা থম্নবা খঙহনখ্রে। করিগুম্বা দেঙ্গিনা নাবা মীওই পুখৎলকপা তারবদি ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনদা রিপোর্ট তৌরক্লবসু খঙহনখ্রে।

# টেররিষ্টশিংগী কেম্প নৌনা হাংদোরকখ্রে

চেন্নাই, সেপ্টেম্বর ২৩ (এজেন্সী): আর্মি চীফ জেনরেল বিপিন রাৱতনা হায়খ্রে মদুদি পাকিস্তাননা বালাকোটতা নৌনা অমুক টেররিষ্টশিংগী কেম্প হাংদোরকপগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক টেররিষ্ট ৫০০ রোম ঙমখৈ লানশিল্লক্লবা থৌরাং তৌরি। ফেব্রুৱারি থাদা ইন্দিয়ন এয়রফোর্সনা নোংথক্তগী এটেক চথদুনা টেররিষ্ট কেম্প পুম্নমক অমাং অতা থোকহনখ্রবা মতুংদা পাকিস্তাননা অনৌবা টেররিষ্ট কেম্প খরা হাংদোরকপা থেংনরে। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা ইন্দিয়ান আর্মিনা লাইন ওফ কন্ট্রোলদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা টেররিষ্টশিং ঙমখৈ লানশিল্লকপা ঙমহন্দনবা হোৎনরি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# দিসক্কালিফাই তৌখ্রবা কর্নাটকাগী এম এল এশিংনা ফাইল তৌরকপা পিটিসন সুপ্রিম কোর্টনা হিয়রিং চত্থরগনি

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৩ (এজেন্সী): দিসক্কালিফাই তৌখ্রবা কর্নাটকাগী এম এল এ ১৭না ফাইল তৌরকপা পিটিসন হিয়রিং চত্থরগনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

ওক্টোবর ৩১দা ইলেক্সন কম্মিসননা বাই ইলেক্সন পাঙথোক্লবা মতম লেপখ্রবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টনা হিরম অসিগী মতাংদা হিয়রিং চত্থবগী ৱাফম অয়াবা পীখিবনি। জুলাই থাদা মতমদুগী স্পিকর কে আর রমেসনা দিসক্কালিফাই তৌরম্লবা এম এল এ ১৭কী মনুংদা কোংগ্রেসকী ১৩ অমসুং জনটা দল সেক্যুলরগী ৩ য়াওরি।

কর্নাটকাদা এম এল এ ১৭ ফম থাদোকখিবনা মরম ওইরগা জে দি এস অমদি কোংগ্রেসকী চুংশিন্নবা লৈঙাক তুখিবগা লোয়ননা বি জে পিনা অনৌবা লৈঙাক অমা শেমখি। দিসক্কালিফাই তৌখ্রবা এম এল এ ১৭না মরক্কী মীখলদা মীরেপ ওইবা য়াহনবীয়ু হায়না ৱাকৎলকপগী মতাংদা জষ্টিস এন ভি রামনানা লুচিংবা জজ ৩গী বেঞ্চ অমনা হিয়রিং চত্থগদৌরি।

এম এল এ খরগী মায়কৈদা লেপ্লিবা সিনিয়র এদভোকেট মুকুল রোহাটগিনা য়ুমশাকৈশা নুমিৎতা ৱাফম কয়া কোর্টতা পুখৎনবা থৌরাং তৌরি। শগোলশেন নুমিৎতা কোংগ্রেস এম এল এশিংগী মায়কৈদা লেপ্লিবা কপিল সিবালনা ইন্টরিম রিলিফ পীবিনবা ৱাফম পুখৎকনি হায়রি। হিরম অসিগা মরী লৈননা এপেক্স কোর্টনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর সিদারময়াল ইলেক্সনকম্মিসন অমদি কে কে রমেসতা নোটিস থাখ্রে।

এম এল এশিংনা হায়খি মদুদি লোগী মীৎয়েংদা কে আর রমেসনা এম এল এ ১৭ দিসক্কালিফাই তৌখিবগী থৌওং অদু ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুনগী আর্টিকল ১৪ খোঙ্গাওনবনি হায়না লৌফম থোকই। স্পিকরনা ১০ শুবা সেদ্যুলগী মখাদা অরানবা পান্বে শীজিন্নরগা এম এল এ খরগী ফান্দামেন্টেল রাইটস খোঙ্গাওনবা চুমদে হায়নসু ফোঙদোকখি।



MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR-IMPHAL 795003, MANIPUR, INDIA
TENDER NOTICE
Imphal the 23rd September, 2019

MU/IV/2/ DR / PO /ADVERTISEMENT/19/9

Sealed Tenders are invited from reputed GST registered firms for the supply of Examination Answer Khatas, Additional Sheets, Pre- printed envelopes. Details of the items along with terms and conditions can be downloaded from Manipur University website www.manipuruniv.ac.in. The sealed tender should be submitted /posted to the undersigned on or before 14th October, 2019 upto 3 p.m.

Sd/
Deputy Registrar/Purchase Officer
Manipur University

HL-B/5689/24

BOARD OF SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

NOTIFICATION
Imphal, the 23rd September, 2019.

No. MSTET/11-2/1426 The Board of Secondary Education, Manipur will be conducting the Teacher Eligibility Test (TET), 2019 on the 24th November, 2019 (Sunday).

The aspiring candidates have to apply online for TET- 2019 Examination only through the website tet.bosem.in. Online application will start from 24th September, 2019 (Tuesday). The last date to apply online for TET-2019 is 21st October, 2019 (Monday), 11.30 pm.

For this examination, the detailed Syllabus, Eligibility Criteria, Examination Fee, Mode of Payment, and Examination Pattern both Paper - I & Paper - II may be seen from the official website of board i.e. tet.bosem.in

Sd/- Dr. Chithung Mary Thomas
Secretary

HL-B/5688/24,25

DELTA Tutorials
Kwakeithel Bazar, Imphal
The Largest & Trusted Coaching Centre for both Sc. & Arts in Manipur
ADMISSION OPEN
Revision 2019
Sure Shot Question Analysis with complete Study Materials
Class Starting from: 16th October, 2019
Last Date of Admission 5th October, 2019
CBSE COHSEM
Class X & XII
Sc. & Arts
Class Timing: 4.30 to 7.30 pm
Available Van & Hostel
Every Year we produced Students with Flying Colours in the Exam
Every Year we produced POSITION Holders as a nature of DELTA
Test Series in same patern of CBSE & COHSEM
Extra Discussion/Application session for the Wicker Students
Seperate Experienced Teachers for
CBSE & COHSEM
from Reputed Schools
HL-B/5662/12sept.-12oct.

GOVERNMENT OF MANIPUR
DEPARTMENT OF SOCIAL WELFARE
2nd MR Gate, A.T. Lines, Imphal, Manipur

NOTIFICATION
Imphal, the 23rd September, 2019

No.7/64/2018-AW(BBBP) Pt: The Department is organizing "SANARIK 2019" - A Photography Competition with the following details, terms and conditions :

1. Theme: of "Beti Bachao Beti Padhao".
2. Entry Fee : No Entry Fee
3. Eligibility: Any individual who is a domicile of the State of Manipur shall be eligible.
4. No. of Photographs: Participants can submit a maximum of 4 unedited photographs on the theme which should have been taken in the last 1 year.
5. Last date of Submission : 12:00 noon on September 28th, 2019
6. Copyright: The Department will be the sole owner of the photographs submitted and the participants agree that the Department has the rights to disseminate, distribute, transfer, transform and use the photographs submitted in any manner, it deems fit. The above mentioned use shall include, but not limited to, posting submissions to the Department Website, usage on Social Media and use in any subsequent Publicity Campaigns and materials etc.
7. All entries shall include an email, personal details including contact details and awards achieved, if any, to the organizers.
8. Entries should send the soft copy of the photograph(s) with highest resolution possible for transfer in jpeg format and the file name of each photograph should indicate the participant's name to the email id: sanarik2019@gmail.com. Large files can be submitted in person to the office of the undersigned.
9. Timeline: The Prize Winners will be felicitated on 1st October, 2019 on the occasion of the Observance of the International Day for Older Persons.
10. Prizes: First Prize- Rs.30,000/- 2nd Prize- Rs. 20,000/- 3rd Prize- Rs. 10,000/- & Viewers Choice Award Rs. 5,000/-

Sd/-
Ngangom Uttam Singh
Director, Social Welfare, Manipur

HL-P/4313/24

[illegible]/ পাইলসকী ওইনা মণিপুরদা ওজা ABDUL HAK অতাঙবনি

অমুক্তং ওজা কবিরাজ অবদুল হককী হীদাক চাদুনা পুন্সি নুংঙাইনা লৈবীয়ু। মরমদি ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলসকী অৱাবা অসি মণিপুরগী মফম কয়াদা চৎতুনা লায়েংজখি, পৈশা খক্তা চংখি, অনাবদি ফবা ঙমখিদে। মমৈথংদা ওজা অবদুল হক থেংনজরুবদগী ওজাগী হীদাক চাবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলসকী অৱাবা খোঙ হান্বা য়াদবা, ঈ তাবা, চেকখায়বা, শৌজদা থুপ্পা-শাবা, চিকপা, অমাংথোঙগী অকোয়বদা মকুপ-মকুপ শৌবা, শোকপদা নাবা, শৌজগী মনুংদা পোম্বা, ইনখৎত্রিফাওবা চংউ য়াদবনি। অৱাবা নুংঙাইতবা পুম্নমক অসি ঙসিদি মপূং ফানা ফজরে। অনাবা লৈতবগুম ওইরে। মরম অসিনা ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা পাউচেগী থোঙদা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-
1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6:30-4:30 p.m.)
2. 7th MR Khabeisoi Gate, (Wed.-Thurs.) (10am-4pm)

থাগৎচরিবা : M. Ranjit
Mayang Imphal Konchak

HL-P/4305/24

[illegible]/ অমাংথোঙ মপান্দা পোমথোরকপা, অমাংথোঙ মনুংদা তৎপা, অমাংথোঙ মনুংদা য়াম্না শারগা লৈফম খঙদবা, খোঙ অকনবা হাল্লকপা মতমদা অমাংথোঙ মনুংগী তৎফমদুদা থেংলগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙ হান্বা চাং নাইদবা, খোঙ হান্বদা মতম কুইনা চঙবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ মপান্দা পোমথোরকপা, পোমথোরক্লগা লৈবা অসিদা য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হান্বা লোইরগসু য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হামগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা পোকপা চিক্কনি খনবদা, অমাংথোঙ মনুংদুসু তৎপা, অমাংথোঙ মনুংদা শারগা লৈফম খঙদবা, খোঙ অকনবা হাল্লকপা মতমদা অমাংথোঙ মনুংগী তৎফম অদুদা থেংলগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাখিবা অদুনা হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা, হকচাং পাঙ্গল শোন্থরকপা, খোঙ হান্বা চাং নাইদবা, খোঙ হান্বদা মতম কুইনা চংবা, শা-ঙা, অতেক-অনৌ চাবা য়াদবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক কংখৎপা, পুক্তা মতুম অমা কোয়চেন চেনবা, গ্যাষ্ট্রিক অদুনা থবাক্তা চেনখৎলগা থবাক নাবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, খৌনাওদা ইথন্তা থনগৎলগা লৈবগুম তৌবা, তাং-তাং চিকপা-নাবা, ফন্বী শোনবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা, খ্বাং নাবা, ঈশিং চৎপদা শাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 9774274439, 8414825323 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wednesday & Saturday Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/4248/24
থাগৎচরিবা : Th. Abungo, Singjamei